# AIR, IMPHAL
# MANIPURI EVENING NEWS SCRIPT AT 7.30 PM
# (DATE 5-10-2023)

**গভনর (এল)ঃ** ইন্দিয়ান আর্মিগী হেদক্বাটর থ্রি কোরগী জি.ও.সি. ওইরিবা লেফটনেন্ট জেনরেল-ঐচ.এস. সাহি অমদি আই.জি.এ.আর (সাউথ)-মেজর জেনরেল-রাজন সেরাৱট অনিনা ঙসি মনিপুরগী রাজ্যপাল-অনুসিয়া উইকেগা রাজ ভবনদা উন্নখ্রে।

উন্নবা অদুদা লান্মীগী মকোক থোংবা ওফিসার অনিনা মনিপুরদা হৌজিক লৈরিবা শান্তি রক্সাগী ফিভম অমদি ইন্দিয়ান আর্মি অমসুং অসাম রাইফলসনা ইরাং থোক্কনবা জগাশিংদা হিংশাগী থৌদোকশিং থিংননবা পায়খৎলিবা থৌরাংগী মতাংদা রাজ্যপালদা পাউদমখি। মখোয়না অসাম রাইফলস অমদি ইন্দিয়ান আর্মিনা সিভিল এদমিনিষ্ট্রেসনদা মতেং পাংদুনা ইরাং অসি লোয়শিনদুনা শান্তি পুরকবগী মতাংদা লৌরিবা থৌদাং অদুসু রাজ্যপালদা পাউদমখি। রাজ্যপালনা মনিপুরদা শান্তি থমবা হোৎনবদা ইন্দিয়ান আর্মি অমসুং অসাম রাইফলসনা লৌরিবা থৌদাংবু থাগৎপা ফোংদোকখি।

নাকল অমরেমাদা, লেফটনেন্ট জেনরেল-ঐচ.এস. সহি অমসুং মেজর জেনরেল-রাজন সেরাৱট অনিনা মনিপুরগী মুখ্য মন্ত্রি-নোংথোম্বম বিরেনগসু ৱারী শান্নখি। ইম্ফালদা লৈবা মুখ্য মন্ত্রি সেক্রেটরিয়েটতা উন্নখিবা অদুদা লান্মীগী মকোক থোংবা ওফিসারশিংনা মনিপুরদা শান্তি থমনবা অমদি পামদবা থৌদোক থোকপা থিংনবা ইন্দিয়ান আর্মি অমদি অসাম রাইফলসনা লৌখৎলিবা থৌরাংশিংগী মতাংদা মুখ্য মন্ত্রিদা পাউদমখি।

**কংগ্রেস (এল)ঃ** বিরোধি দল কংগ্রেস অমদি মসিগা ৱাখল মান্নবা রাজনিতি দলশিংনা মনিপুরগী হৌজিক ওইরিবা ইরাং অসিগী মতাংদা ৱারোইশিন পুরকবা

পুন্না হোৎনমীন্নগনি হায়না ৱারেপ লৌখ্রে। ৱারেপ অসি ঙসি ইম্ফালদা কংগ্রেস লেজিসলেচর পার্টিগী লুচিংবা ওক্রম ইবোবী অমদি অতোপ্পা ৱাখল মান্নবা রাজনিতি দলশিংগী লুচিংবশিং য়াওনা পাঙথোকখিবা পাউগী মীফমদা ফোংদোকখিবনি।

হায়রিবা দলশিং অসিগী লুচিংবশিংনা ফোংদোকখিবদা মে অহুমদগী রাজ্য অসিদা থোরকখিবা ইরাং অসিদা কেন্দ্র অমদি রাজ্য সরকার অনিনা কুপা য়েংশিনবিয়ু। লোয়ননা সরকারনা রাজ্য অসিগী মরী লৈনবা পুমমক্কা ৱারী শান্নদুনা হৌজিক ওইরিবা ইরাং অসি অথুবা মতমদা লোয়শিন্নবা হোৎনবীয়ু হায়নসু আপিল তৌখি।

**মীতৈ কাউন্সিল (এল)ঃ** মনিপুরদা মে অহুমদগী লৈরিবা তংদু লৈতাদবা ফিভম অসিদা মীৎয়েং চংবীদুনা অথুবা মতমদা শান্তি পুরকবা হোৎনবীয়ু হায়না ৱার্ল্ড মীতৈ কাউন্সিলনা য়ুনাইটেদ নেসন্সকী সেক্রেটরি জেনরেলদা চিঠি ইখ্রে।

চিঠি অদুদা, লমদম অসিগী ফুরুপ অনিগী মরক্তা চহি কয়াগী মমাংদগী নুংশি চান্ননা লৈমিন্নরকপগী ৱারীসু পল্লি। লোয়ননা হৌজিক থোক্লিবা চরাংনবা ফিভম অসিনা মরম ওইদুনা তম্পাক্কী মফম কয়াদা লৌ উবা য়াদবনা লাক্কদৌরিবা চহিশিংদা চাক তাংবগী ফিভম ওইরকপা য়াবগী ৱাফমসু য়াওরি।

ৱার্ল্ড মীতৈ কাউন্সিলগী মায়কৈদগী ইরাং অসি লোয়শিন্নবা য়ুনাইটেদ নেসন্সনা কেন্দ্র সরকার অমদি রাজ্য সরকার অনিগা পুন্না খুৎশমদুনা হোৎনমীন্ননবা অমদি লমদম অসিগী য়েলহৌমী মীতৈশিংবু সেদ্যুল ত্রাইব লিষ্টতা চলহনবীনবসু চিঠি অদুনা তকশিল্লি।

**রিলিফ (এল)ঃ** রাজ্য অসিগী তোঙান তোঙানবা জিলাশিংদা হাংলিবা রিলিফ কেম্পশিংদা চংজফম লৌদুনা লৈরিবা মীওইশিংদা শেন্থোক লম্বী লৈহন্নবা সরকারনা তোঙান তোঙানবা থৌরাংশিং পায়খৎলি। মসিগী মনুং চন্না রাজ্যগী

হোর্টিকলচর এন্দ সোইল কঞ্জারবেসন দিপার্টমেন্টকী মখাদা লৈরিবা মনিপুর ওর্গানিক মীসন মনিপুর (মোমা) না শিনদুনা নুমিৎ নিনিগী চুপা লৌউ শিংউ অমদি হৈ-রা থাবগী মতাংদা চথুরকপা ত্রেন্নিং প্রোগ্রাম অমা ঙসি লোয়শিনখ্রে। হায়রিবা প্রোগ্রাম অসি ইম্ফাল ৱেষ্ট জিলাগী মনিপুর ত্রেদ এন্দ এক্সপো সেন্টর-লম্বোইখোংনাংখোংদা হাংলিবা রিলিফ কেম্পতা পাঙথোকখিবনি।

**কাংখল (এল)ঃ** রাজ্য অসিদা দেঙ্গি লায়নাগী কেস লেপ্তুনা হেনগৎলক্লিবা অসিগী য়েংলগা লায়না অসিদগী ঙাকথোকবগী পান্দমদা ষ্টেট প্রোগ্রাম ওফিসার মেলারিয়াগা মখাদা হৈরোক পার্ট টু বজার মমাংগী তোঙান তোঙানবা ৱার্ডশিংদা কাংখল হিদাক লুপথোকখ্রে। মসি মনিপুর ৱিমেন্স ফেদরেসন অমসুং ফ্রেন্স ইন নিট সোসাইতি-হৈরোক অনিগা পুন্না খুৎশমদুনা পাঙথোকখিবনি।

মখা তানা বিষ্ণুপুর জিলাগী মনুং চনবা মফম কয়াদসু কাংখল হিদাক লুপথোকপগী থবক পায়খৎকনি হায়রি।

**থৌবাল (এল)ঃ** লৈবাক শিনবা থুংনা পাঙথোকপগুম রাজ্য অসিদসু ৬৯ শুবা লমলক্কী শা-উচেকশিংগী চয়োল পালন পাঙথোক্লি।

‘ঐখোয়গী লমলক্কী শা-উচেকশিং-ঐখোয়গী চাউথোকচফম’ হায়বা পান দমদা অখন্নবা মীৎয়েং চংদুনা পাঙথোকপা চয়োলগী থৌরম অসি থৌবাল ফোরেষ্ট দিভিজননসু ঙসি দিভিজন অসিগী কনফরেন্স হোলদা পাঙথোকখি।

থৌরম অদুদা খুদক্কী লাই য়েকপা চাংদমবা, এসে ইবা অমদি স্লোগান ইবগী চাংদমবা অমসু পাঙথোকখি।

**থৌবাল (এল)ঃ** ইম্ফাল ইষ্টকী য়াইরিপোক য়াম্বেম সান্তিপুরদা লৈবা য়াম্বেম গালর্স হোষ্টেলদা হাংলিবা রিলিফ কেম্পতা লৈরিবা মীওইশিংদা সাইকোলোজিকেল অমসুং ইন্টরভেন্সন প্রোগ্রাম অমা ঙসি পাঙথোকখ্রে।

থৌরম অসি মনিপুর ষ্টেট লিগেল সাভির্সেস ওথোরিতিগী মীৎয়েং মখাদা দিষ্ট্রিক্ট লিগেল সাভির্সেস ওথোরিতি-ইম্ফাল ইষ্টনা শিনদুনা পাঙথোকপনি। থৌরম অসিগী শরুক অমা ওইনা দিষ্ট্রিক্ট লিগেল সাভির্সেস ওথোরিতি-ইম্ফাল ইষ্টকী সেক্রেটরি-সদানন্দা সোরোকখাইবমনা রিলিফ কেম্প অদুদা স্পিসিএল লিগেল এদ অমসুং সাভির্সেস কেম্প অমসু হাংদোকখি।

**থৌবাল (এল)ঃ** থৌবাল জিলাগী খাঙবোক্তা হাংলিবা রিলিফ কেম্পতা ঙসি দা কলেজ ওফ ফুদ টেকোলোজিনা লমফেলপাৎকী ওজা অমদি মহৈরোইশিংনা শিনদুনা লেমা লায়েংগী কেম্প অমা পাঙথোকখ্রে। কেম্প অদুদা লেমা হিদাক লাংথকসু য়েন্থোকখি।

**রিলিফ (এল)ঃ** পেলেস কম্পাউন্দা লৈবা গভরমেন্ট দান্স কলেজতা হাংলিবা রিলিফ কেম্পতা দিষ্ট্রিক্ট ভেটিরিনারি ওফিস ইম্ফাল ইষ্ট, দিষ্ট্রিক্ট এদমিনিষ্ট্রেসন ইম্ফাল ইষ্ট অমদি দা পিছ কমিতি-ৱাংখৈগা পুন্না খুৎশমদুনা নুমিৎ হুমনিগী ওইবা য়েন লোইবগী স্কিল দিবলপমেন্ট ত্রেন্নিং প্রোগ্রাম অমা ঙসি হৌখ্রে। প্রোগ্রাম অসিদা রিলিফ কেম্পতা লৈবা মীওই ৪০ রোমা শরুক য়ারি।

**কার্ফিউ(এল)ঃ** ইম্ফাল ৱেষ্ট, ইম্ফাল ইষ্ট, থৌবাল অমসুং ককচিং জিলাশিংদা হয়েং অয়ুক পুং ৫ দগী নুংথিল পুং ৬ ফাওবা কার্ফিয়ু কোমথোক্কনি।

বিষ্ণুপুর জিলাদা হয়েং অয়ুক পুং ৫ দগী নুংথিল পুং ৫ ফাওবা কার্ফিয়ু কোমথোক্কনি।

**হোম (এল)ঃ** মখল খুদিংমক্কী ওইনা মীয়ামনা মীওই অমবু মীয়াম তিনবা মফমদা ফুবা-হাৎপা অমদি হিংশাগী থৌওংশিং চথবা হায়বসি আইনগী মখাদা অকনবা দন্দি ফংনিংঙাই ওই হায়না রাজ্যগী হোম দিপার্টমেন্টনা থোকপা চেরোল অমনা

মীয়ামদা খঙহল্লক্নি।

চেরোল অসিনা হায়-মসি ইং ২০১৮ গী আগষ্ট ১৭ অমদি সেপ্তেম্বর ২৪ দা সুপ্রিম কোর্টনা রিট-পিটিসন (সিভিল) নম্বর সভেন ফাইব ফোরগী মতাংদা থোকখিবা দাইরেক্সন অদুগী মতুং ইন্ননি।

**অৱাংবৌ (এল)ঃ** কেন্দ্রগী পার্সোনেল, পাব্লিক গ্রীভান্সেস অমসুং পেন্সন মন্ত্রালয়গী মখাদা মনিপুর ইনর্ফোমেসন কম্মিসননা শিনদুনা রাইট টু ইনর্ফোমেসন ৱিক-২০২৩ গী পালন থৌরম ঙসি ইম্ফালদা লৈবা দাইরেক্তোরেট ওফ ইনর্ফোমেসন এন্দ পাব্লিক রিলেসন্স (দি.আই.পি.আর) গী ওদিটোরিয়মদা হৌদোকখ্রে।

থৌরম অদুদা শরুক য়ারদুনা রাজ্যগী ৱাটর রিছোর্সেস, রিলিফ এন্দ দিজাস্তর মেনেজমেন্টকী মন্ত্রি-অৱাংবৌ ন্যুমাইনা হায়-রাইট টু ইনর্ফোমেসন এক্ট অসি য়ামা মরুওইবা এক্ট অমনি। ভারতকুম্লবা গনতন্ত্র চৎপা চাউরবা লৈবাক অমদা এক্ট অসিনা গনতন্ত্রগী মপাঙ্গল হেন্না কনখৎহল্লি। এক্ট অসি চৎনদ্রিঙৈদা সরকারনা পায়খৎলিবা চাউখৎ থৌরাং অমদি মসিগা মরী লৈনবা থবক থৌরমশিংগী মরমদা মীয়ামনা খঙলমদে । অদুবু, এক্ট অসিগী মতেংনা ঙসিদি সরকারনা পায়খৎপা থবকশিং মীয়ামদা মনুং মপান ফাওনা খঙহনবা ঙমলে।

মন্ত্রিনা হায়-এক্ট অসিগী মতেংনা গনতন্ত্রগী মপাঙ্গল কনখৎহল্লবসু মীওই খরনা এক্ট অসিবু অরানবা লম্বীদা শিজিন্নবা উরে। এক্ট অসি সরকার অমদি মীয়ামগী মরক্তা অরোনবা লৈহন্দনবগীদমক ইং ২০০৫ দা চৎনবা হৌখিবনি অমসুং এক্ট অসি লান্না শিজিন্নদবা আপিলসু তৌখি।

**কম্মিসন(এল)ঃ** কেন্দ্রগী সোসিএল জষ্টিস এন্দ ইমপৱারমেন্টকী মখাদা ওন লাইনগী খুত্থাংদা য়ু.আই.দি. কার্ড অমদি দিসএবিলিতি সার্টিফিকেট পীবিনবা দরখাষ্ট থাখিবা অদুগা থা অমগী মনুংদা হায়রিবা কার্ড অমদি সার্টিফিকেট অসি

ফংদ্রিবা মীওইশিংনা ষ্টেট কম্মিস্নার ফোর পার্সন্স ৱিট দিসএবিলিটি-মনিপুরদা অইবা ৱাকৎ পীশিল্লকবা খঙহল্লক্লি।

ষ্টেট কম্মিস্নারনা থোকপা চেরোল অমদা হায়-ইং ২০১৯ দগী হৌনা য়ু.আই.দি. অমদি দিসএবিলিতি সার্টিফিকেট ফোর পাসন্স ৱিট দিসএবিলিতিজ অসি ওন লাইনদগী লৌবা য়াবগী খুদোংচাবা রাজ্যগী জিলা ১৬ তা চৎনবা হৌখ্রবনি। অদুম্মকপু, হায়রিবা আই কার্ড অমদি সার্টিফিকেট অসি থা অমগী মনুংদা মরি লৈনবা মেদিকেল ওথোরিতিদগী ফংদবা তারগদি অইবা ৱাকৎ অসি পীশিল্লকপা য়াগনি।

**এৱার্দ (এল)** ঃ অন্দমান এন্দ নিকোবরগী পোর্টব্লেয়ারদা লৈবা মাউন্ট মনিপুরদা চয়োল অমা চুপা পাঙথোক্কদবা 'অনিশুবা অদুঙৈ লোই থাখ্রবা অথৌবশিংগী' নীংশিং থৌরম ঙরাংদগী হৌখ্রে। থৌরম অসি দা দলিট সাহিত্য একাডমী মনিপুরনা শিনবনি।

থৌরম অদুগী শরুক অমা ওইনা মনিপুরদগী মীওই ১০ না পোর্টব্লেয়ারদা ঙসি লৈখিদ্রবা অথৌবশিংগীদমক তর্পন কৎখি। তুংদা, শৈরেং শৈদিন্নবগী থৌরম অমসু পাঙথোকখি।

**ৱাকৎ (এল)ঃ** খুরাই অপুনবা মৈরা লুপকী প্রসিদেন্টগী য়ুমদা ঙরাং নুমিদাং স্মোক বোম লংশিল্লম্ববু য়ানিংদবা ফোংদোক্তুনা ঙসি খুরাই লমলোং কৈথেলদা ৱাকৎ মীফম ফমখ্রে।

ৱাকৎ মীফম অদুদা শরুক য়াখিবা মীওইশিংনা কনানা করিগীদমক বোম অদু লংশিল্লম্বনো হায়বদু শেংদোকপীরকবসু দাবী তৌখি।

**সিকিমঃ** সিকিমদা ঙরাং খঙহৌদনা ঈচাউ থোকপদগী হৌজিক ফাওবদা মীওই ৯৮ থীবা খঙদনা লৈরি। মখোয়গী মনুংদা লান্মীগী মীওই ২২ য়াওরি। থৌদোক অসিদা হৌজিক ফাওবদা মীওই ১৮ লৈখিদ্রে হায়রি। অদুগা মীওই ২৬ না অশোক অপন নংখ্রে। ঈচাউ অসিদা থিবা খঙদনা লৈরিবা মীওইশিং লান্মীশিংনা থিবগী থবক কন্না চথরি। ত্রিশক্তি কোরশিংগী মীহুৎ কাংবুগী মায়কৈদগীসু সিক্কিমগী চুংথাং, লাচুং অমসুং লাচেনগী জগাদা লৈরিবা মীওইশিং অমদি হনবা য়াদনা লৈরিবা লম কোইবা মীওইশিংদা অনা লায়েংগী মতেং পাংলি।

রাজ্য অদুদা চেনবা তিস্তা তুরেলগী ইমায় খঙহৌদনা ৱাংখৎলকপদগী ঈচাউগী অৱাবা মায়োকখিবনি। ঈচাউ অসিনা শিংতম অমসুং রাঙপো সিৱেজ ত্রিতমেন্ত প্লান্ট চাউনা অমাং অতা থোকহল্লে। শাফগদবা মফমশিংদা রিলিফ কেম্পশিং হাংদোক্নুনা অৱাবা নংলবা মীওইশিং চংজফম লৌরি। ঈচাউ অসিনা চুংথাং তাউন্দগী চাদা ৮০ শোকহল্লে।

ষ্টেট দিজাস্তর মেনেজমেন্ট ওথোরিতি অমদি মরী লৈনবা বিভাগশিংনা মী কনবা অমসুং তেংবাং পীবগী থবক চথরি। পনবা য়াই, মাংখ্রবা লান্মী ২৩ গী মনুংদা অমদি ঙরাং হিংনা ফংখ্রবনি।

প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদিনা রাজ্য অদুগী মুখ্য মন্ত্রি-প্রেমসিংহ তমাংগা ৱারী শান্নদুনা মী কনবগী থবক য়াংশিন্নবা খঙহনখি। প্রধান মন্ত্রিনা মহাক্কী মাইকৈদগী পাংবা য়াবা মতেং পাংগনি হায়রি।

**পিএম ঃ** পধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদি ঙসি রাজস্থান অমদি মধ্য প্রদেশতা লুপা কোতি লিশিং ১৭,৬০০ হেনবগী প্রোজেক্ট খরনা যাত্রা হুনখ্রে খরনা শঙ্গাখ্রে।

প্রধান মন্ত্রিনা জয়পুর সহরদা লুপা কোতি লিশিং ৫ চংনা পায়খৎকদবা চাওখৎ থৌরাংগী প্রোজেক্ট কয়া য়াত্রা হুনখি। প্রোজেক্টশিং অদুগী মনুংদা- শিক্ষা, লম্বী, রেল ষ্টেসন, হকশেল অমসুং এয়ারপোর্টনচিংবা য়াওরি। শ্রী মোদিনা জোধপুরদা লৈবা ইন্দিয়ান ইন্সটিট্যুট ওফ মেদিকেল সাইন্সেস (এইমস)

তা ফুমং ৩৫০ লৈগদবা ট্রোমা সেন্তর এন্দ ক্রিতিকেল কেয়ার হোস্পিতাল ব্লোক অমসুং রাজ্য অসিগী তোঙান তোঙানবা ৭ তা প্রধান মন্ত্রি আয়ুসমান ভারত হেলথ ইনফ্রাষ্ট্রকচর মিসনগী মখাদা ক্রিতিকেল কেয়ার ব্লোকশিংগী যাত্রাসু হুনখি।

মসিগী তুংদা, শ্রী মোদিনা লুপা কোতি লিশিং ১,১৩৫ চংনা শাবা ইন্দিয়ান ইন্সটিট্যুট ওফ টেকোলোজি (আই.আই.টি) জোধপুর কেম্পস অমসুং সেন্ত্রেল য়ুনিভর্সিতি ওফ রাজস্থানদা নৌনা শাবা সেন্ত্রেল ইন্সত্রুমেন্টেসন লেবোরেটরি, যোগ অমসুং স্পোর্টসকী সাইন্স বিল্ডিং মীয়ামদা খুৎশিন্নখি।

জোধপুরদা পাঙথোকপা মীয়ামগী মফম অমদা প্রধান মন্ত্রিনা হায়-রাজস্থান অসিনা ভারতকী অরিবা কালা সংস্কৃত্তি অমদি মথৌনা মরিংজেল অদুবু মালেমদা শক তাক্লি। মরম অসিনা রাজ্য শিনবা থুংনা চাউখৎপগী লমজেল অসি পুন্না য়াওবিনবা তঙাইফদে। রাজস্থান চাউখৎলবতদা ভারত অসিসু চাউখৎকনি।ভারতপু চাউখৎনবগীদমক রাজ্য অসিগী সরকারনা পায়খৎলিবা থবক থৌরমশিংবু প্রধান মন্ত্রিনা অপেনবা ফোংদোকখি।

**ক্রিকেটঃ** আই.সি.সি. মেন্স ও.দি.আই. ৱার্ল্ড প-২০২৩ ঙসিদগী গুজরাটকী অহমেদবাদতা লৈবা নরেন্দ্র মোদি ষ্টেদিয়মদা হৌখ্রে ।

অহানবা মেটচ ওইনা ইংলেন্দ অমসুং ন্যুজিলেন্দ শান্নরি। ইংলেন্দনা অহানবা বেটিং তৌবদা অপিবা ওবর ৫০ দা ৱিকেট ৯ তুরগা রন ২৮২ লৌরি। ন্যুজিলেন্দ বেট্টিং তৌরি।

ভারতকী অহানবা মেটচ ওষ্ট্রেলিয়াগা চেন্নাইগী এম.এ. চিদম্বরবম ষ্টেদিয়মদা লাক্লিবা নোংমাইজিং নুমিৎতা শান্নগনি।

**গেমসঃ** হংঝৌ অসিয়ান গেমসকী ১২ নি চনবা নুমিৎতা ভারতকী দিপিকা পালিকর অমসুং হরিন্দর পাল সিংহগী জরানা স্কৱাসকী মিক্স দবলসকী ফাইনেল

শান্নগনি। অমরোমদা সৌরব গোসালনা নুপাগী সিঙ্গলস ফাইনেল শান্নগনি। ঙসি নুংথিল ভারতকী নুপী হোক্কি টিমনা গেমস অসিগী যুম্বু ওইরিবা চাইনাগা সেমি ফাইনেদা থেংনগনি। ঙসি অয়ুক শান্নখিবা নুপীগী আরচেরি কম্পাউন্দ ইভেন্টতা ভারতকী পরনিত কোর, অদিতি গোপিচান্দ স্বামি অমসুং জ্যোতি শুরেখানা চাইনিজ তাইপৈগী টিমবু পোইন্ট ২৩০-২২৯ মায়থিবা পীদুনা সনাগী তকমান ফংখিবনি।

গেমস অসিদা হৌজিক ফাওবদা ভারতনা সনাগী তকমান ২১ ,লুপাগী ৩১, শেঞ্জেংগী ৩২ পুন্না তকমান ৮৪ ফংদুনা মরিশুবা মফমদা লৈরি।